# য়ু এননা সি এ আরদা লাইঞ্চর লান্মীশিং চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রে



*বাঙ্গুই, ফেব্রুৱারি ৬ঃ* সেন্ত্রেল আফ্রিকান রিপব্লিকতা রিবেলনি হায়না চিংনবা মীওই অমবু ফুগাইদুনা হাৎখিবা থৌদোক অমদা য়াওশিল্লুবা লান্মীশিং খুদম ওইবা য়াবা চৈরাক পীনবা য়ু এন এনভোইনা তকশিনখ্রে।

মীওই অদু থাঙনা থিনবগা লোয়ননা ময়াম চংদুনা ফুগাইরগা হাৎখিবনি। মহাক্কী হকচাং অদু সি এ আরগী কোনুং বাঙ্গুইদা মৈদা থাদোকখ্রে হায়রি।

আর্মি সেরেমোনি অমদা ইন্টরিম প্রসিদেন্ট কেঠরিন সাম্বা–পাঞ্জানা ৱা ঙাংখিবগী মতুং মীকুপ খরদংগী মনুংদা থৌদোক অসি থোকখিবনি।

ৱাফম অমনা ফ্রান্সনসু লৈবাক অদুগী পিছ কিপ্পিং ফোর্স পার্সোনেলশিং মখা তানা থা ৬ অমা সি এ আরদা লৈথখিবা য়ারি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং থোকখিবা ফুগাইদুনা মী হাৎপগী থৌদোক অসিনা সি এ আরদা চত্থখিবা তুজুংনিঙাই ওইবা তমথিবা থৌদোকশিং মনুংদা খ্বাইদগী কোনবনি। হাকুম চহিদা হান্নগী রিবেল অমনা সি এ আরগী লৈঙাক শক্তি পায়শিল্লুরবা মতুংদা মফম থাদোকখিবদগী লৈবাক অসিদা হাৎনবা–শুনবগী থৌদোকশিং লেপ্তুনা চত্থরক্লি।

মীহাৎ মীপুনগী থৌদোকশিং অসি লাইনিং মান্নদবগী তাথিনবা মাইনোরিটি মুস্লিমশিং অমদি খৃষ্টান গ্রুপশিংগী মরক্তা ওইনা থোক্লি।

সি এ আরদা য়ু এন এনভোই ওইবা বাবাকার গাইয়েনা হায়খিবদা মীওই অমবু শা ঙা হাৎপগুম্না হাৎখিবা অসি য়ানিঙাই ওইদে। থৌদোক অসি মরিক চুম্না থিগৎতুনা মরাল লৈবশিংবু খুদম ওইবা য়াবা মওংদা চৈরাক পীফম থোকই হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবা অমনা ঙরাং মীওই অমা হাৎখিবদু অফ্রিকান য়ুনিয়ন পিছ কিপ্পরশিং অমদি ফোটোগ্রাফরশিংগী মমাংদা থোকখিবনি। মীওই অদু মুস্লিম ওইবগা লোয়ননা সেলেকা রিবেল ওইরমগনি হায়না চিংনবদগী লান্মীশিংসু য়াওশিন্দুনা ফুগাইরগা হাৎখিবনি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হ্যুমেন রাইটস ৱাটসনা পীবা ৱার্নিং অবদা বাঙ্গুইদগী চেনখিবা সেলেকা রিবেলশিং সি এ আরগী অৱাং নোংপোক্তা অমুক তাশিন খোমজিন্দুনা লুপ শেম্লগা মীচম মীয়ামশিংদা এটেক তৌবা হৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

চেরিটি অসিনা হায়খিবদা, মিলিটেন্টশিং অদু হৌজিক মীচম মীয়ামশিংগী মথক্তা কিনিঙাই ওইবা মওংদা চাদকী পিছকিপ্পরশিংনা পাঙশিনদুনা মীচম মীয়ামশিংগী মথক্তা এটেক চত্থরি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

অনম্বনা মুস্লিম রিবেলশিংগা এন্টি বালাকা হায়নসু খঙনবা খৃষ্টান মিলিসিয়াশিংগা অনিগী মরক্তা থোক্লিবা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং অসি সেলেকা লিদর মাইকেল দ্যটোদিয়ানা প্রসিদেন্ট ওইনা ফম থাদোকখিবা মতুংদগী চত্থরকখিবনি।

ঙরাংগী থৌদোক অদুবু উহৌবা হ্যুমেন রাইটস ৱাটসকী ইমর্জেন্সি দিরেক্টর পিটর বুকার্টনা হায়বদা মীয়াম অদুনা মীওই অদুগী শিরবা হকচাং অদুদা থাঙনা থিনবা, খোঙনা কাওবা অমদি নুঙনা শুবনচিংবা থৌওংশিং চত্থরবা মতুংদা হকচাং অদু মৈদা থাদোকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

য়ুনিফোর্ম শেৎপা লান্মীগী মীওই খরসু য়াওশিন্দুনা চত্থখিবা ক্রাইম অদু মহাক্না ফোটোশিং লৌহৌখি হায়বগা লোয়ননা অশিবা হকচাং অদু মমাংদা থল্লগা লান্মীশিংনা নোকখি হায়নসু বুকার্দনা ফোঙদোকখি।

ঙাইহাক লৈরগা ফ্রন্স লান্মী কাংলুপ অমা মফম অদুদা থুংলদুনা মালংদা নোংমৈ কাপ্পদগী মীয়াম অদু চাইথোক্লখি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

# সাউঠ চাইনা সিগী মতাংদা য়ু এসনা চাইনাদা শেংদোক্লবা তকশিনখ্রে



*বৈজিং, ফেব্রুৱারি ৬ঃ* সাউঠ চাইনা সিদা চাইনানা মখোয়গী লমনি হায়না ক্লেইম তৌরিবা শরুক অদু মরম চানা মালেমগী চৎনরিবা লোশিংগী মখাদা তৌবনি হায়বগী ফিরেপ অমা শেংনা খঙহল্লক্লবা য়ু এসকী মকোক থোংবা দিপ্লোমেট অমনা চাইনাদা তকশিনখ্রে।

য়ু এসকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ফোর ইষ্ট এসিয়া ওইবা বেনিয়েল রুসেলনা চাইনাগী ক্লেইম অদুবু তাক্লিবা নাইন–দিয়াস লাইন অদুবু ক্রিটিসাইস তৌবগা লোয়ননা চাইনাগী মওং মতৌ অসিদা মঙোন্দা নুংনাংবা হেনগৎহল্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

সাউঠ চাইনা সিদা অসিগুম্বা লিচৎ শাজৎ চত্থরকপা অদুগা লমদম অদুদা চাইনানা কন্ত্রোল তৌবগী মওং অমা চত্থরকপা অসিনা নুংনাংনিঙাই ওইবা হেনগৎহল্লে হায়না রুসেলনা ফোঙদোকখিবনি।

লম্মীৎ তুমিৎকী ফিভমদা য়ুম্ফম ওইদনা চাইনানা মেরি টাইম রাইট নমদুনা লৌনবা হোৎনরকপা অসি মালেমগী লোশিংগা তাইওন্নে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মালেমগী চৎন–পথাপশিং চাইনানা ইকাই খুম্নে হায়বা উৎপা তারবদি সমুদ্রগী শরুক্তা লৈবা মালেমগী চৎন–পথাপ মতুংইন্না মখোয়গী ক্লেইমশিংগী অচাবা মরম পুথোকপা তাবনি। নত্রগনা ক্লেইমশিং অদু শেমদোক–শেমজিন তৌবা তাবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

চৈরক অসিদা এসিয়া মনুংগী লমগী খৎন–চৈনবদা য়ু এসনা ফিরেপ অমত্তা লৌবা লৈতে হায়না মমাংদা ফোঙদোকখিবসু লৈরি।

অদুবু রুসেলনদি ফিল্লিপিন্সকী গভর্নমেন্টনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা য়ু এন ত্রাইব্যুনেল অমদা পুখৎনবগী হক লৈ হায়রিবদু মহাক্না শৌগৎলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ফিল্লিপিন্সকী ৱারোল অসি মমাং চহিদা চাইনানা ৱা ওইনা লৌখিদ্রবনি।

# য়ু এসকী নোর্ঠ ইষ্টতা ৱিন্টর ষ্টোর্ম মায়োক্লরি

*বোষ্টন, ফেব্রুৱারি ৬ঃ* হন্দক মরক অতেনবা মতমদা থংন–থংননা অইং–অশাগী ওইবা শাথিবা ফিভমশিং মায়োক্লখিবা য়ু এসতা হৌজিকসু নোর্ঠ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা শাথিবা ৱিন্টর ষ্টোর্ম কন্না মায়োক্লরি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱিন্টর ষ্টোর্ম অসিনা মরম ওইদুনা য়ুমথোং মিল্লিয়ন অমা হেনবদা মৈ ফংনখিদ্রে। গাড়ী লম্বী অমদি নোংথক্কী লম্বীদা চখোক চৎশিন তৌবা অদুগা ললোন ইতিক্কী থবক থৌরমশিংদা কা হেন্না অপনবা থোক্লি।

লৈবাক অসিগী নোর্ঠ ইষ্ট লমদমশিংদা উন পুবা নোংলৈ নুংশিৎ কন্না শিৎপদগী নিউ য়োর্ক, নিউ জর্সি অমদি পেন্সিলভানিয়াদা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি লৈরে।

দিষ্ট্রিক্ট খরদা লম্বীগী উন ঙাকথোক্লবা থুম শীজিন্নবদা হৌজিক থুমগী অৱাৎপা মায়োক্লবা হৌরে হায়রি।

খ্বাইদগী কন্না চৈথেং ফংলিবা পেন্সিলভানিয়াদা কষ্টমর ৮৪৯,০০০ রোমনা মৈ ফংদবা মতেক খরা য়াওখ্রে হায়না পেন্সিলভানিয়াগী গভর্নরনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা শগোলশেলগী অহিং পুং ৮ দদি কষ্টমর ৬২৫,০০০ না মৈ ফংনখিদে হায়না পেন্সিলভানিয়া ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সিগী ৱাঙাংলোই অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অপুনবগী ওইনা নোর্ঠ ইষ্টকী য়ুমথোংশিং অমদি ললোন ইতিক্কী মফম মিল্লিয়ন অমা হেনবদা মৈ ফংনখিদে হায়নসু লোকেল পৱার কম্পেনি অমনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেট শিনবা থুংবদা হৌখিবা য়ুমশকৈশাদা ফ্লাইট ২৮৯৩ কেন্সেল তৌখি হায়রি।

নোর্ঠ ইষ্ট লমদমদা নেৱার্ক লিভর্টি ইন্টর্নেস্নেল, নিউ য়োর্কতা লা গারদিয়া অমদি বোষ্টনগী লোগান ইন্টর্নেস্নেলদগী পায়খিগদবা ফ্লাইটশিংগী তঙ্খাই অমরোমদি কেন্সেল তৌখ্রে হায়না ফ্লাইট এৱেয়ারনা ফোঙদোকখ্রে।

মফম খরদদি সিজন অসিগী শাথিবা নোংলৈশিংনা থোকহনখিবা খুদোংচাদবশিংদা শীজিন্নবা রোক সোল্টকী ষ্টোক কা হেন্না নেম্লে হায়বগা লোয়ননা নিউয়োর্ক, নিউ জর্সি অমদি অতৈ কম্মর্সিয়েল সপ্লাইয়রশিংনা ফোঙদোক্লখ্রে।

# সমুদ্রদা লম্মাংনরুরবনি হায়বা নুপা অমা হকচাংগী ফিভম শোকচিল্লক্লে



*পেসিফিক মহাসাগরদা চহি অমা হেন্না হিংলকখ্রবা অলভারেঙ্গাগী ফাইবর গ্লাসকী হি*
*ইন্সেটঃ ডাক্তরশিংনা শেন্নরিবা জোসে সলভাদোর অলভারেঙ্গা*

*মার্সেল, ফেব্রুৱারি ৬ঃ* পেসিফিক ওসিনদা লম্মাংনবদগী চহি অমা হেন্না সমুদ্রদা ককঙাওননা লৈরকখিবা চয়োল অমগী মমাংদা থেংনরকখিবদগী কনখিবা নুপা অমা মশা শোকচিল্লকপগী মরমদমদা হলহনখিনবগী থৌরাং তপথবা তারে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরকখি।

জোসে সলভাদোর অলভারেংগা হায়বা মীশক অসি চয়োল অমগী মমাংদা মহাকপু মীয়াম্না থেংনরকখিবা মার্সেল আইলেন্দদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা অমুক হলহনখ্রে।

অলভারেঙ্গানা হায়বদা ইং ২০১২ গী দিসেম্বর থাদা মহাক মরুপ অমগা লোয়ননা ফাইবর গ্লাসনা শাবা হি অমদা মেক্সিকোদগী পেসিফিক ওসিনদা হোন্দোরকখিবনি হায়রি।

মহাক্কী মরুপ অদুদি হি মথক্তা শিখ্রবা মতুংদা লমথুংফম খঙদবদগী পেসিফিক মহাসাগরদা মহাক চহি অমা হেন্না হিংলক্লবনি হায়নসু অলভারেঙ্গানা ক্লেইম তৌখিবনি।

চৈরক অসিদা লৈখিদ্রবা মহাক্কী মরুপ অদুগী ইমুং মনুংনা মীওই অদু কমদৌনা শিখিবনো হায়বগী মরিক চুম্বা ৱাফম খঙনিংই হায়বগা লোয়ননা অলভারেঙ্গাগা ৱারী শাবা পাম্মী হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

মার্সেল আইলেন্দদা অলভারেঙ্গাবু লায়েংলিবা ডাক্তরশিংনা হায়বদা মহাক কা হেন্না পত্থনা উরে। চখোক–চৎশিন য়ারোইদবগী চাংদা দি হায়দ্রেসন তৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মেক্সিকান এম্বেসিগী খৃষ্টান ক্লে মেন্দোজা হায়বা ওফিসিয়েল অমনা হায়বগী মতুংইন্না মহাক্কী হকচাংগী মরমদা খন্দবা য়ারোইদৌরি।

ডাক্তরগী রিকম্মেন্দেসন অমনা মহাক চখোক চৎশিন ঙমগনি হায়বগী অয়াবা পীদ্রগদি মহাক চৎপা য়াখিরোই। রিকম্মেন্দেসন অদুসু মথং নুমিৎ হুম্নি মরিনিগী মনুংদা ফংলবা য়াই হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা শগোলশেলদা অলভারেঙ্গা মীয়াম মাংদা থোক্কুনা ৱাহং খরগী পাউখুমদি পীখি। মশক মমিং ফোঙদোকউ য়াদবা ওফিসিয়েল অমনা হায়বদা মহাক য়েংবদা য়াম্না চোকথনা উরে। মরাঠন লমজেল অনি অহুম থংন–থংননা চেল্লুবগুম্না উরে হায়না ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াবদি এবোন এটোল ইথৎতা লৈবা মীয়ামনা মহাকপু হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎতা কল্লকখিবনি। মহাক্কী ৱাহৈদগী খঙবদা সমুদ্রগী লম্বীদা অহিংবা ঙা, উচেক অমদি থেঙ্গুনচিংবা মখুৎ খক্তনা ফাদুনা চারগা হিংলকপনি। হকচাংদা খৌরংবা ফাওরকপদা হক্কী ঈশিং, নোংগী ঈশিং অমদি উচেকশিংগী ঈ থল্লককই হায়রি।

অলভারেঙ্গাগী মরুপ মপাং ঙামীশিংনা হায়বদসু মহাক্তি হান্নদগী মীনা চানদবা চিঞ্জাক চাবা হৈনরকপনি হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্তি চাবা পেৎতে, অফং–অফংবা চাই হায়না মহাক্কী মরুপ ঙামী অমনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি ইং ২০০৬ ক্কী ওগষ্ট থাদসু মার্সেল আইলেন্দদগী মেক্সিকোগী ঙামী অহুম থা ৯ লোম পেসিফিক মহাসাগরদা ককঙাওনদুনা লৈরকপদগী কনখিবনি। মখোয়সু নোংগী ঈশিং, সমুদ্রগী উচেক অমদি ঙানা চিঞ্জাক ওইদুনা হিংলকখিবনি।

কিরিবটিদগী অশুম্না সমুদ্রদা লম্মাংনরবা মীওইশিং অয়াম্বা মতমদা চয়োল খরা নত্রগা থা খরা অপিকপা হিশিংদা তোংলগা মার্সেল আইলেন্দদা হেক–হেক থুংলবগী থৌদোকশিং মমাংদসু থোকখ্রবনি।

# ইটলিগী তোর্বানদা মাইগ্রেন্ট ১১০০ কনখ্রে



*লম্পেদুসা, ফেব্রুৱারি ৬ঃ* ইটলিগী নেভিনা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা অৱাং অফ্রিকাদগী সমুদ্রদা চেল্লকপা মাইগ্রেন্ট ১১২৩ কনবা ঙমখ্রে। হৌখিবা মতম খরদগী কা হেন্না হেনগৎলক্লিবা মাইগ্রেন্টশিংগী মশিং খম থেংলকপগা লোয়ননা লম্পেদুসাদগী খা নোংপোক্তা মাইল ১২০ লোম চৎলগা লৈবা সমুদ্রগী মফম অমদগী নুংশিৎনা কামখৎলগা হোনবা হি ৮ দগী মাইগ্রেন্টশিং অদু কনখিবনি। মখোয়গী মরক্তা নুপী ৪৭ কা অঙাং ৫০ গসু য়াওই। নুপীশিং অদুগী মরক্তা ৪ দি মীরোল্লিবী ঙাক্তনি। মখোয় পুম্নমক অফ্রিকাগী সাহারা মরুভুমি মনাক্কী লমদমশিংদগীনি হায়না ইটলিগী নেভিনা ফোঙদোরকখ্রে।

চৈরক অসিদা য়ামদ্রবদা মাইগ্রেন্ট ৭ তি নোর্ঠ অফ্রিকাগী স্পেনিস এনক্লেব অমা য়ৌরক্লবা হোৎনবদা ইরাক্লদুনা শিখ্রে হায়রি।

লোকেল ওফিসিয়েলশিংনা হায়বদা নুপা ৬ অমসুং নুপী অমগী অশিবা হকচাং মোরোকো ইথৎকী সমুদ্র তোর্ব্বান্দগী ফংখিবনি। শিরবা মাইগ্রেন্টশিং অদু স্পেনিসকী টেরিটোরিদা য়ৌরক্লবা হোৎনখিবা মীওই ৪০০ গী মনুংদা চল্লকখিবা ওইরম্বা য়াই। মখোয় পুম্নমক সাহরাগী মনাক্তা লৈবা লমদমশিংদগীনি হায়নসু স্পেনিস নিউজ এজেন্সি অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মমাং থাদসু মাইগ্রেন্ট লিশিং অনিরোম ইটলিগী সমুদ্র তোর্ব্বানদা থুংলকখিবনি। মশিং অসি চৎখিবা চহিগী জনুৱারী থাদা রেকোর্দ তৌখিবা মশিংগী শরুক ১০ রোম হেল্লবনি। গভর্নমেন্টনা হায়বগী মতুংইন্না মমাং চহিদা মাইগ্রেন্টশিংগী মশিং কা হেন্না হেনগৎলক্কুনা সমুদ্রগী লম্বীদা লাকখিবশিং পুন্না ৪২,৯২৫ নি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

শাথিরবা ঈশিংগী লম্বী অসি লাম্থোক্লবা হোৎনবদা শিখিবা মাইগ্রেন্টশিংগী অশেংবা মশিং চপ চাবা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু হৌখিবা ওক্টোবর থাদা লম্পেদুসা মনাক্তা জহাজ কায়বদা মাইগ্রেন্ট ৪০০ হেন্না পুন্সি মাঙখি। নেভীগী জহাজশিং অমদি হেল্লিকোপ্টরশিংনা মী কনবগী থবক ঙরাং অয়ুক পুং ৮ দগী হৌরগা নুমিৎ মন্থর মতুং ফাওবা চত্থখি।

মাইগ্রেন্টশিং অদু এম্ফিবিয়স এসোল্ট সিপ অমদা হাপচিল্লগা লাক্কুনা হয়েং অয়ুক ওগষ্টতা হায়বা সি সি লিগী হিথাংফম অসিদা থুংলবা য়ারি।

ইটলি হেক য়ৌবগা এসাইলম ক্লেইম তৌবা য়াবা মীওই কয়া য়াওরিবগে হায়বদু খঙদোক্কনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

# পাকিস্টান–টালিবান শান্তিগী ৱারী হৌখ্রে



*ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ৬ঃ* ওফিসিয়েল ওইবা পাউ অমনা হায়বগী মতুংইন্না পাকিস্টান গভর্নমেন্টকা টালিবানগা শেম্বা মীওই কাংলুপ অমগা অহানবগী ওইনা ফোর্মেল মিটিং অমা পাঙথোকখ্রে হায়বগা লোয়ননা মিটিং পাঙথোকখিবা মফম অদুদি ফোঙদোরকখিদ্রে।

চহি কয়া চত্থরক্লিবা লালহৌ অসি লোইশিন্নবা শান্তিগী ৱারী হৌবা য়ানবগী রোদ মেপ অমা পুথোক্লুবা মখোয়না হোৎনরি হায়নসু পাউ অদুদা ফোঙদোরক্লি।

গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীদি ৱারী অসিদা থৱাই হকচাং লুপশিন্না চংশিল্লিবনি হায়না পাকিস্টানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোকখ্রে।

টেহরিক ই টালিবান পাকিস্টান (টি টি পি) গী মিলিটেন্টশিংনা পাকিস্টানদা ইং ২০০৭ তগী হৌনা খুৎলায় পায়বগী লালহৌ চংশিল্লক্লিবনি। শান্তিগী ৱারী হৌবগী অহানবা খোঙথাংদি প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফনা মমাং চয়োলদা লাউথোরকখিবনি।

হান্নদি চৎখিবা ফেব্রুৱারী ৪ দগী হৌগনি হায়না লেপখিবা ৱারী অসি পাকিস্টান টালিবানগী মহুৎ শিনগদবা মীওইশিং অদুগী মশক মমিং হান্না শেংদোরক্লুবা গভর্নমেন্টনা তকশিনবদগী ৱারী শানবগী খোঙথাং থিন্থরকখিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি টি টি পি অসি ইং ২০০৭ তগী শেমদুনা শাথিবা থবক থৌওংশিং চত্থবা হৌরকখিবা মতুংদগী পাকিস্টান শিনবা থুংবদা লান্মীশিংসু য়াওনা মীওই ১০০ হেন্না শিখ্রে।

গভর্নমেন্টকী মায়কৈদা চিফ নেগোসিয়েটর ওইরিবা ইরফান সিদিকিনা হায়বদা গভর্নমেন্টকী কম্মিটিনা ৱারী শান্নবা অদুদা পুকচেল তিংনা চংশিনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# য়ু এস বোম্বর পাইরকপদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

*সিওল, ফেব্রুৱারি ৬ঃ* খা কোরিয়াদা য়ু এসকী ন্যুক্লিয়ার পুবা ঙম্বা বি–৫২ বোম্বরনা সোর্টি রন ওইনা পাইবা হৌরকপদগী লৈবাক অনিগী ইমুং মনুং ওইবা মীওইশিং পুন্না উনহনবগী থৌরাং অদুদা অপনবা ওইরকপা য়াই হায়না অৱাং কোরিয়ানা ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

বি–৫২ বোম্বরশিং পাইশিল্লকপা অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লান্মীগী ওইবা উংখৎনবা হেনগৎহল্লকপা য়াই হায়নসু অৱাং কোরিয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপনি।

ন্যুক্লিয়ার বোম পুবা ঙম্বা য়ু এস বোম্বর অসি কোরিয়ান পেনিনসুলাগী নোংচুপ থংবা সমুদ্র তোর্ব্বানদা হৌখিবা য়ুমশকৈশাদা পাইখি হায়না অৱাং কোরিয়ানা ফোঙদোরকখি।

য়ু এস মিলিটরিগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়বদা অককুবা মিসনশিংগী মরমদা অকুপ্পা ৱারোলশিং মহাক্না মচা তানা ফোঙদোকপা ঙমদে হায়না থল্লকখি।

মহাক্না হায়বদা য়ু এস পেসিফিক কম্মান্দনা রোটেসন ওইনা ষ্ট্রেটিজিক বোম্বরশিং রিজন অসিদা চাং নাইনা পাইবগী খোঙথাংশিং অসি চহি ১০ হেনবগী মমাংদগী হৌরকখ্রবনি হায়না মহাক্না মখা তারকখি।

খা কোরিয়াগী মিলিটরিগী লিখুন অমনা হায়বদা বোম্বর ফ্লাইট অদু শুপ্নগী বোম্বর অমখক্না ত্রেনিং ওইনা পাঙথোকপনি হায়খি।

অৱাং কোরিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা মিলিটরি লুপ অমা ওইরিবা নেস্নেল দিফেন্স কম্মিসননা থোকপা চেরোল অমদা হায়বগী মতুংইন্নদি ফ্লাইট অদু ন্যুক্লিয়ার এটেক অমগী রিহারসেলনি হায়না ফোঙদোরকখি।







**SANALEIBAK SUDOKU**

SANALEIBAK SUDOKU-146

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | | | 1 | | | | 8 | |
| | | | | | | | 6 | |
| | 2 | 7 | 5 | | | | | |
| | 4 | | 3 | | | 8 | | |
| | | 6 | | | | 5 | | |
| | 9 | 3 | | | 1 | | | 6 |
| | | | | 8 | 7 | | | 1 |
| | 5 | | 4 | 9 | | 7 | | |
| | | 2 | | | | | | |

*Prepared by :* **ROGER -A**

**YESTERDAY SOLUTION**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 8 | 2 | 7 | 1 | 5 | 6 | 3 | 4 |
| 7 | 3 | 4 | 8 | 2 | 6 | 1 | 5 | 9 |
| 1 | 5 | 6 | 3 | 9 | 4 | 8 | 7 | 2 |
| 3 | 9 | 8 | 1 | 4 | 7 | 2 | 6 | 5 |
| 6 | 2 | 7 | 9 | 5 | 3 | 4 | 1 | 8 |
| 4 | 1 | 5 | 2 | 6 | 8 | 7 | 9 | 3 |
| 2 | 4 | 3 | 6 | 7 | 9 | 5 | 8 | 1 |
| 5 | 7 | 9 | 4 | 8 | 1 | 3 | 2 | 6 |
| 8 | 6 | 1 | 5 | 3 | 2 | 9 | 4 | 7 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*